# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 14-08-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) লৈবাক শিনবা থুংবদা ঙসি অসি পার্তিসন হোররস রিমেম্বরেন্স ডে পাঙথোক্লি।

২) ভারতনা নীংখা তমখিবগী ৮০ শুবা কুমওন থৌরম হয়েং পাঙথোকবা শেম শাবা লোইরে। নীংতম নুমিৎ পালনগী মাংওইননা ঙসি নুমিদাং রাষ্ট্রপতিনা জাতিগী মীয়ামদা ৱা ঙাংগনি।
অমসুং

৩) বঙ্গলাদেশকী রাষ্ট্রপতিগী মীখল থা অসিগী ২০ দা পাঙথোক্লগনি। সরকার পায়রিবা বঙ্গলাদেশ নেসনেলিষ্ট পার্তিনা মখোয়গী রাষ্ট্রপতিগী মীরেপ লাউথোকখ্রে।

------

বিজেপি (এল)ঃ লৈবাক শিনবা থুংবদা ঙসি অসি পার্তিসন হোররস রিমেম্বরেন্স ডে হায়না পাঙথোক্লি। কুমজা ১৯৪৭ কী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা ভারত অমসুং পাকিস্তান খায়দোকপদা মীওই কয়ানা অৱাবা নংখিবা অদুবু নিংশিংদুনা পাঙথোকপনি। লৈবাক অনি খাইদোকখিবা অসিনা মীওই কোতি অমরোম হেন্না ময়ুম মকৈ হোংহনখি অদুগা মীওই লাখ ২০ লোমনা শিখি।

থৌদোক অদুবু নিংশিংদুনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা কুমজা ২০২১ দগী হৌনা নুমিৎ পালন অসি পাঙথোক্তুনা লাক্লি। লৈবাক্কী কোনুং দিল্লি য়াওনা লৈবাক শিনবা থুংবদা ঙসি থৌরম কয়া পাঙথোক্লি। তুংদা হৌরক্কদবা মীরোলশিংদা লৈবাক অনি খাইদোকবদা মতম অদুগী মীয়ামা থেংনখিবা অৱাবগী

চৈথেং অমসুং ভারত নীংখা তন্নকখিবা অদু খঙহন্নবা পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

বি.জে.পি মণিপুরনা শিন্দুনা ঙসি বিবাহজন ভিবিসিকা স্ম্রিতি দিবস পাঙথোক্লি। পার্তিসন হোররস রিমেম্বরেন্স ডেগী থৌরম অসি ইম্ফালগী কৈশামপাৎতা লৈবা থম্বাল শঙলেনদা ঙসি অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা পাঙথোক্কনি।

রাষ্ট্রপতি (এল)ঃ ভারতনা নীংখা তমখিবগী ৮০ শুবা কুমওন থোরম হয়েং পাঙথোকবা শেম শাবা লোইরে। মপুং ওইবা থৌরম নিউ দিল্লিগী লাল কিলাদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা জাতিগী মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎকনি অমসুং তিল্লিবা মীয়ামদা ৱা ঙাংগনি।

মণিপুরদসু হয়েং ৮০ শুবা নীংতম নুমিৎ পালন পাঙথোকবা মপুং ফানা শেম শারে। রাজ্য অসিগী দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাতরশিংদা পাক শন্না পাঙথোক্কনি। মফম কয়াদা নীংতম নুমিৎ পালনগা মরী লৈননা হোজং শাবগী থবক অমসুং লম্বীশিংদা ভারতকী মচু অহুমগী ফিরাল থেৎপগী থবক চথরি। নীংতম নুমিৎ পালনগী য়েংলগা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপা হৌরে।

নীংতম নুমিৎ পালনগী মাংওইননা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি নুমিদাং জাতিগী মীয়ামদা ৱা ঙাংগনি। অকাশবানিগী নেটৱার্ক পুমমক্তা নুমিদাং পুং ৭ তাবা মতমদা রাষ্ট্রপতিনা ৱা ঙাংগনি। থৌরম অসি দুরদর্সনগী চেন্নেল খুদিংমক্তসু শন্দোক্কনি। রাষ্ট্রপতি হিন্দি অমসুং ইংরেজিদা ৱা ঙাংবা লোইরবা মতুং দুরদর্সনদা লম লমগী লোলশিংদা অমুক শন্দোক্কনি। অকাশবানিগী নেটৱার্কশিংদনা রাষ্ট্রপতিগী ভাষন লম লমগী লোলশিংদা নুমিৎ অসিগী নুমিদাং পুং ৯ মখায়দা শন্দোক্কনি।

হয়েং নুমিদাংগী পুং ৭ মখায়গী মণিপুরী পাউ রাষ্ট্রপতিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা শন্দোক্কনি।

নীংতম নুমিৎ পালনগী শরুক অমা ওইনা লৈবাক্কী মফম কয়াদা হর ঘর তিরঙ্গ কেম্পেন পাক শন্না পাঙথোক্লি। লৈবাক নীংবগী ৱাখল্লোন চেলহনবা, জাতি অমা ওইবগী চাউথোকচবা পোকহন্নবা পান্দমদা কেম্পেন অসি পাঙথোক্কুনা লাক্লি। মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদসু হর ঘর তিরঙ্গ কেম্পেন পাঙথোক্লি। বাইক রেল্লি, লম তু শেংবনা থৌরম অসিগী মপুং ওইবা শক্তম ওইরি।

সেক্যুরিতি (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী মীওই কয়া ফাগৎপগী থবক লেপ্তুনা চথুরি। ঙরাং ককচিং জিলাগী ককচিং ইরুমপাল এরিয়াদগী আর.পি.এফ-পি.এল.এগী হকচিনবা মীওই অমা ফাখি।

মণিপুর পুলিসকী পাউনা হায়- নুমিৎ অসিমক্তদা আর.পি.এফ-পি.এল.এগী হকচিনবা মীওই অমা ককচিং জিলাগী ৱাংঙু হৈনৌয়াম অৱাং লৈকাইদা লৈবা মশাগী য়ুমদগী ফাগৎখি। ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট কম্মান্দোনা থি হুম্বগী থবক চথুবদা শগোলবন্দ মবুধৌ মন্ত্রি লৈকাইদা লৈবা মশাগী য়ুমদগী আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অমা ফাগৎখি।

মণিপুর পুলিসনা ঙরাং সেনাপতি জিলাগী খোঙনেম থানা ভিলেজদা অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌবদা নাগালেন্দগী মীওই অমা হিরোইন গ্রাম ৪৪৬ কা কোন্ননা ফারে। নুমিৎ অসিমক্তদা চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিস, সি.আর.পি.এফ অমদি মফম অদুগী নুপী সি.এস.ওশিংগা লোয়ননা জিলা অদুগী টি. খজাং ভিলেজ অমসুং অকোইবা মফমশিংদা চথুখিবা ওপরেসনদা য়ুঙৌ শুংফম অমদগী য়ুঙৌ লিতর লিশিং ২ হেন্না ফাগৎখি।

নোং ঃ ইন্দিয়া মেট বিভাগনা অৱাং নোংপোক লমদমশিংদা লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা নোং কন্না চুগনি হায়রি। বিভাগ অসিনা হায়- ছত্তিসগরগী মফম কয়াদা ঙসি নোং কন্না চুগনি হায়না রেড এলার্ট লাউথোকখ্রে। গঙ্গেতিক ৱেষ্ট বেঙ্গল, ঝারখন্দ, উরিষা অমসুং উত্তরাখন্দগী মফম কয়াদসু লাক্লিবা নুমিৎ নিনি হুমনি

অসিদা নোং কন্না চুগনি হায়রি। মরক অসিদা, ওরিষাদা নোং কন্না চুবদগী রাজ্য অদুদা চেল্লিবা তুরেলশিংগী ঈমায় ৱাংখৎলক্তুনা মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অপনবা থোক্লে। রাজ্য অদুগী মফম কয়া ঈশিং থুমজিনখিদুনা মহৈ মরোং থারিবা মফম কয়া অমাং অতা থোক্লে।

মেট বিভাগনা হায়- থা অসিগী ২০ দা বঙ্গোপ সগরদা অতোপ্পা লো প্রেসর অমা শেমদুনা নোং চীংগী ফিভম হেন্না ফৎচিল্লক্তবা য়াই হায়রি।

বঙ্গলাদেশ ঃ  বঙ্গলাদেশতা সরকার পায়রিবা বঙ্গলাদেশ নেসনেলিষ্ট পার্তিনা দল অসিগী জেনেরেল সেক্রেতরি মিরজা ফকরুল  ইসলাম অলমগিরবু লৈবাক অদুগী রাষ্ট্রপতিগী মীরেপ ওইনা থাগৎখ্রে। লৈবাক অসিগী রাষ্ট্রপতিগী মীখল থা অসিগী ২০ শগোলশেন নুমিৎতা পাঙথোক্কনি। প্রধান মন্ত্রি তারিখ রহামন অমসুং দল অসিগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংগা ধাকাদা লৈবা প্রধান মন্ত্রিগী সেক্রেতরিয়েটতা মীফম পাঙথোক্লবা মতুং ৱাফম অসি লাউথোকখিবনি।

অমরোমদা, বঙ্গলাদেশকী মপুং ওইবা বিরোধি দল- জমাট-ই-ইস্লামিনা মখোয়গা চুংশিন্নবা দল ওইরিবা লিবরেল দেমোক্রেতিক পার্তিগী চেয়ারমেন করনেল রিটায়ার্দ ওলি অহামদবু রাষ্ট্রপতিগী মীরেপ ওইরগনি হায়না লাউথোকখ্রে। হান্নগী রাষ্ট্রপতি মোহমদ সাহবুদ্দিননা চহি অসিগী জ্লাই ২৪ দা মহাক্কী হকচাংগী ফিভম য়েংলগা ফম থাদোকখিবদগী মীখলগী মতম লেপখিবনি। পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেতরি হফিজ উদিন অহামদনা হৌজিক হৌজিক লৈবাক অদুগী এক্তিং প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুরি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মরৈবাক্কীদমক থৱায় থাখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমখিবা, আর্টিষ্ট অহুমদা শঙ্গিৎ নাটক একাদমি মনা পীরকখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

মরৈবাক্কী থৱায় কৎখ্রবশিং ইকায় খুমখ্রে, অথৌবশিংগী নুমিৎসিদা অপুনবগী শক্তম ঙাকমিন্ননবা ৱাশক লৌরশি হায়বা গভর্নরনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

অনিসুবা ষ্টেট লেবেল লৈবাক পীংবা ঈশৈ চাংদমবা পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অমা পোকফম পাউচেদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মণিপুরগী শকাইরবা আর্টিষ্ট অহুমদা সঙ্গীৎ নাটক একাদমি এৱার্দ পীরকখ্রে হায়বা পাউ অমা সনালৈবাক পাউচেদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

------